এডিটোরিয়েল

সিৱরেজ প্রোজেক্ট অমসুং কাঙ

মমাঙগী চহী ১৫ হায়বদি টার্ম ৩ থংন–থংননা লৈঙাক পায়খিবা কংগ্রেসনা লূচিংবা লৈঙাক অদুনা মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া অমা চাউখৎ থৌরাংগী মখাদা পায়খত্তুনা লাকখি। অদুগুম্বা প্রোজেক্টশিং অদু করিগুম্বা মায় পাক্লা পায়খৎলম্বা তারগদি ঙসিসু লৈঙাক অদু অদুমক মীয়ামগী অপাম্বা লৈঙাক অমা ওইরমগদবনি। হৌজিকসু হায়রিবা লৈঙাক অদুনা পায়খৎলম্বা থৌরাংশিং অদু লোইশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি ঙসিগী লৈঙাক অসিগী মথৌনি হায়বসি অনৌবা লৈঙাকসিদা মরী লৈনবা মিনিষ্টরগী থৌ পুরিবশিংনা অদুমক খঙই হায়না লৌবা য়ারে। খ্বাইদগী নুংঙাইরিবদি কুম পুরবা ইম্ফাল সিৱরেজ প্রোজেক্ট ফেজ –১ অসি থা ২–৩ গী মনুংদা লৈঙাক অসিনা শোয়দনা লোইশিল্লগনি হায়বা ৱাফম অসিনি। মসি চহী কয়াগী মমাঙদগী ফেজ অসিগী মখাদা লৈরিবা লৈকায় অমদি খুলগী মীওইশিংনা পামদুনা লাক্লবা ৱাফম অমনি। মীয়াম্না হেন্না খঙবা ৱাফম অমনা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লৈকায় খুদিংমক্কী ওইবা অচৌবা ইরম–খোঙলমশিং তৌদুনা থম্লম্বা অমসুং মদুনা অচৌবা ঈচেলদা তিনখিনবা চপ চাবা থৌরাং অমা পায়খত্তুনা লৈরম্মী হায়বসিনি। অদুবু চাউখৎলকপগা ইরোইননা মীশিং য়ামখৎলকপা অমসুং লমদম অমগী নৎত্রগা খুল, লৈকায় অমগী মনুংদা কুইরবা মতমদগী হিংমিন্নরকপা মীওই কাঙলূপশিং অসিসু মশা–মশাগী হিংনবগী পাম্বে থিরকপদা মশাগী লৌ–ইংখোল ফাওবা য়োম্হোক্লগা অতোপ্পা মফমদা খুন্দানখিবগী মওং অমসু চহী খরা অসিদা লাকখ্রে। মসিদগী হৌরগা লৈকায় নৎত্রগা খুল অমগী হান্না লৈজরম্বা সিৱরেজ হায়বদি ইথৈ–লৌখোংগী ফিভম কয়া অদু কায়হনখ্রে হায়বসি ঐখোয়না নীংশিংবা মথৌ তাই। চাউখৎপগী থাক নেপ্লিঙৈ মতমদুদা নিংথৌগী লৈঙাক মখাদা পায়খৎলম্বা থৌশিলশিং অদুনা মরম ওইরগা অতুংবা ঈশিং খোঙলম লৈরমদবা অদু ঙসিদি খুৎশেমগী খোঙলমশিংদা ঈশিং চেন্নবগী মফম লৈতবদৌনা থম্বীবদগী কাঙ–হয়িংনচিংবা কয়া অমগী মরুম কোকফম ওইদুনা লৈরে। মসিদি লাল্লি হায়বা য়ারোই। হায়রিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা ফেল ওইরবা চাংয়েংগী সিৱরেজ প্রোজেক্ট ফেজ–১ অসিগী ফলনা নোং হেক চুবগা ঈশিং চাউবা অমসুং ঈশিং অদু চৎখিনবা মফম লৈতবদগী ষ্টেগনেন্ট ওইবা হায়বদি ঈশিং তুংশিন্নবা মফম কয়া অমা লৈবদগী কালেন চঙলকপদা কাং অমসুং হয়িংনচিংবা লায়োং কয়াগী লায়না শন্দোকপদা মতেং ওইবা জিবশিং অসি পোক্লক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লবনি হায়বসিসু ঙসিগী লৈঙাক অসিনা খঙবা তাবনি। নুংঙাইরিবদি ফেল ওইরবা প্রোজেক্ট অমনি হায়না লৌরিবা ইম্ফাল সিৱরেজ প্রোজেক্ট ফেজ–১ অসি থা ৩ গী মনুংদা লোইশিল্লগনি হায়বগী থাজবা অমা মীয়ামদা অনৌবা লৈঙাক্না পীরকপা অসিনি। মসিদবু মায় পাকপা তারবদি ইম্ফাল ৱেষ্টতদি কাংনচিংবা লায়না শন্দোকপা ঙম্বা তিল–কাংশিংদি থোইনা মচা পোক্লক্কদবা মান্দে। প্রোজেক্টসিগা মরী লৈননা মহৌশাগুম লৈকায় খুদিংমক অমদি খুল খদিংমক্কী ওইবা ঈথৈ–লৌখোঙগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চংলক্কনি হায়বগী থাজবসু অনৌবা লৈঙাকসিদা মীয়াম্না থম্লি হায়বসি খঙবীয়ু।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

অনৌবা শান্তিদাসকী শায়োল্লা?

ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

অদুঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম অমদা, ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাইনা নিংথৌবু মোইথেম তৌরগা মৈতৈ লৈবাককী মাঙ–তাক্লবা ৱাথোক ঙাক্তনা মপুং ওইবা থৌওংকয়া চথখি। মমল নাইদ্রবা মৈতৈগী লাইফম কয়া ময়াং লাইগী মমিং থোঞ্জিন্দুনা ঙসি ফাওবদা চয়োৎনহল্লিবসি মৈতৈ লৈবাক্কী ওইনদি লাইবক থীবনি। হেন্না লাইবক থীবনা মৈতৈগী পুয়া কয়া মৈ থাদুনা মাংহনখিবদুনি। পুন্নমক মীফত্তা শান্তিদাস গোসাইগী ফত্তবা লাংদা থুখিবা মৈতৈ নিংথৌগী মথক্তা মরাল শীরবসু মাঙজখিবা, ৱাজখিবদি মৈতৈনি। মসিনা মৈতৈ লৈবাক্কী পুৱারী ওইখ্রসনু।

হৌজিক্না ভারতবর্ষ লৈবাকসিদা লৈঙাক লুচিংলিবা লৈঙাকলোইশিংগী কোক্তা পুল্লৌ নৌবা মখলগী অনৌবা সান্তিদাস অমনা খাবৈ–খরা শারব্রা ঙাংনরক্লিবসি পংহায় হায়শিন্নবদি নত্রে।ধর্ম্ম তিন্নদবা রাজনিতিগী কাংলোননি হায়গদ্রা, মতম শাংনা ভারতগী প্রজা কোতি কয়াগী কোক্তা চুখ্রবা মমাং থক্কী ফজরবা স্কীম কয়া মরম ইরৈ লৈতনা অনৌবা মমিং থোন্দুনা কান্নদবদা প্রজা কয়াবু চমন্নহল্লিবসি অদুঙৈ মৈতৈ লৈবাক্তা শান্তিদাস গোসাইনা মোংব–হন্ববু মহাবলি... অদু–অদা হায়না প্রজাশিংবু চম্মন্নহনখিবদুমক্লি হায়বা য়াই। রাজনিতিগী নুংগী ওইবা লানফম কয়া হৌজিক হৌজিক চথরিবসি হৌখিবা ইতিহাস হঞ্জিল্লকপগুম্বনি। জাতি অমনা লৈঙাক্লম্বা লম অমা অতোপ্পা জাতি অমনা অমুক নৌনা লৈবাক থৌদা পায়রকপদা অওন্বা চৈথেং ফংনবা মশানা তাবনি। ঐগী নৎত্রগা ঐখোয়গী হায়বদুনা মাঙ থাগদবনি হায়বসিদি খর খজিক "অখুবা মীৎয়েং" হায়বদুনি। মসি চুমথোকপদা ফত্তবদি ওইরোই।

হায়নরিঙৈ, খন্নরিঙৈ, ইনৌ নৌবা ৱাথোক অমসু বিজেপি সরকারনা বার্ত্তন তৌরক্লি। মন্ত্রী, এম এল এ গী লেটর–হেদ তা দিন দয়ালগী ফোটো হাপকদবনি হায়রিবা ৱাখল্লোনসিবু খল্লুবদা খনফম খংদ্রে। খর লৈরগদি য়ুমথোং খুদিংগী চাকখুমদা, লেত্রিনদা অদুগী তছবির, অদাগী মুর্ত্তি খিনগদবনি হায়রক্লগনা কমদৌবা?

খংদ্রে পোকপদগী লাইরিক মশক খংজদ্রবা লৌ–উবা, হাজিরা শুবসু বেঙ্ককা শন্নগদবনি মহায়বা! মমৈদদি শাংনা লাইরিক তম্বা মতম মাংনবনি মীপুম খুদিং এম এ দগী লাইরিক তমগদবনি হায়রকপসু য়ারি। হোয়, কেগেদা মনিং, মোইরাংদা মখা তম্বা নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বা ঙাক্তগী লৈবাকনিদনা।

অদোমগী,
বিসি খুমন
ইম্ফাল

ৱাই–ফাই সেক্যুরিটি

ইন্টর্নেট শীজিন্নবশিংনা ৱাই–ফাইগী দিভাইসশিং ইন্টর্নেট এক্সেস তৌনবা পাক–শন্না শীজিন্নরি। চহি খুদিংগী ৱাই–ফাইগী দিভাইস মিলিয়ন কয়া কৈথোলদা য়োল্লি। মসিগী মনুংদা অয়াম্বা ৱায়রলেস দিভাইসশিং অসি মখোয়গী দিফোল্ট কনফিগুরেসন মোদতা খুদোংথিনিংঙাই ওই। শীজিন্নরিবশিংনা দিভাইসশিং অসিদা হাপকদবা সেক্যুরিটি লেভেল অদু মপুংফানা খঙদবনা খুদোংথিনিংঙাই ওই। সেক্যুর ওইদবা ৱাই–ফাই দিভাইসশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা টেরোরিষ্ট অমদি হেক্করশিংনা মখোয়গী অপাম্বসু ফংহল্লি।

মীয়াম তিনবা মফমশিংদা ৱাই–ফাই নেটৱার্ক হাংদোক্লবা ওটো–কনেক্ট খক তৌরোইদবনি।

কনাগুম্বা মহাক্কী কম্পুটর, লেপটোপ নৎত্রগা মোবাইলদা ৱাই–ফাই শম্বশিংনা সেক্যুর ওইদবা এক্সেস পোইন্ট (ৱয়ারলেস রুটরশিং) শমখিবা য়াই। মদু সেক্যুর ওইদ্রবদি কনাগুম্বা রেঞ্জ ওফ এক্সেস পোইন্টকী মনুংদা লৈবা অমনা এক্সেস পোইন্ট অদুদা শমখিবা য়াই। অমুক্তং কনেক্সন তৌখ্রবদি এটেক্করনা মেল থারকপা য়াই, ক্লাসফাইদ/ কনফিদেন্সিয়েল ষ্টফ দাউনলোদ তৌখিবা য়াই, নেটৱার্ক অদুগী মনুংদা লৈবা অতোপ্পা কম্প্যুটরশিংদা এটেক্ট তৌরকপা য়াই, খুদোংথিবা নংলবা কম্প্যুটরবু মতম শাংনা ঙাক শেন্দুনা ইন্টর্নেটকী খুত্থাংদা থম্নবা ত্রোজান নৎত্রগা বোটনেট হাপচিল্লকপা য়াই।

অসিগুম্বা ক্রিমিনেল ওইবা থবকশিং অসিদা মহৌশানা এক্সেস পোইন্ট (ভ্য়ারলেস রুটর)গী লিগেল য়ুজরশিংগা লোয়নৈ। এক্সেস পোইন্টকী লিগেল য়ুজরশিংনা মশা ঙাকথোকচনবগীদমক্তা মহাক মশামক অসিগুম্বা থবকশিং অসিদা চেন্নদে হায়বদু প্রমান তৌজবা তাই। হৌজিক য়ুজরনা মহাক মশাগী এক্সেস পোইন্ট অদু সেক্যুর ওইবগী দায়িত্ব লৌবা তারে।

হৌখিবা চহি খরসিদা থোকখিবা থৌদোক খরা য়েংসি

- টেরোরিষ্টশিং অমদি হেক্করশিংনা ইন্টর্নেটতা আইননা য়াদবা থবকশিং তৌনবা সেক্যুর ওইদবা এক্সেস পোইন্টশিং শীজিন্নৈ।
- হেক্করশিংনা ন্যুয়োর্ক, লোস এনজেলস অমদি ৱাশিংটোন দি সিদা লৈবা থোমসন গ্রুপকী লকজরি হোটেলশিংগী ওপন ৱাই–ফাই নেটৱার্কতা চংলম্মী অদুগা গেষ্টশিংনা থাবা ই–মেলশিং হুরাল্লম্মী। হেক্করশিং অদুনা মথংদা হোটেল চেন অদুগী ই–মেলশিং (www.crpcc.in) অদু ফোংদোক্কনি হায়না কিহল্লগা নমদুনা পৈশা লৌথোক্লবা হোৎনরম্মী।
- সেপ্টেম্বর ২০০৮ দা দিল্লিদা বোম পোকখায়খিবা অদুগী মিনিট মঙাগী মমাঙদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা মুম্বাইগী চেম্বুরদা লৈবা কম্পেনি অমগী সেক্যুর ওইদবা ৱাই–ফাই কন্নেক্সন অমা ওথোরিটি অমদি ন্যুজ চেন্নেলশিংদা টেরর ই–মেলশিং থাবদা শীজিন্নখি। টেরোরিষ্টশিং অদুনা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা লোজিকেল ওইবা ফল অমা তারকপদা ঙমদনবা মরী মখোং অমত্তা থম্লমদে। ওদিট ত্রাইয়েল অদু লিগেল য়ুজরগী ৱাই–ফাই এক্সেস পোইন্টতা লোয়শিনখি। মরম অদুনা য়ুজরশিংনা মখোয়গী এক্সেস পোইন্টশিং সেক্যুর ওইহনবা তঙাই ফরক্তে। মখাদা পীরিবশিং অসি এক্সেস পোইন্ট অমা সেক্যুর ওইহন্নবা খোঙথাংশিংনি।

(কর্টোর্সঃ সি ডি এ সি)

পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন

ডা.এ. মোমোনচান্দ

পোষ্ট–মোর্টেম (পোষ্ট–মতুং, মোর্টেম–শিরবা) ইমজামিনেসন হায়রগা ঐখোয়না অশিবা হকচাংবু মখল–মখা কয়াগী চাংয়েং তৌদুনা য়েংববু খঙনৈ। মসিগী পেথোলোজিকেল (Pathological) পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন অমসুং মেডিকোলিগল (Medicolegal) পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন হায়দুনা মখল অনী লৈ।

পেথোলজিকেল পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন ঃ

চপ–চাবা লাইওং খঙদবা লায়নানা মরম ওইদুনা শিরবদা, লায়না অদুগী চপ–চাবা মওং খঙনবগীদমক্তা তৌনরিবা চাংয়েং মখলনি। মসিদি পেথোলজিষ্ট (লায়না–লাইওংগী মরমদা খঙ হৈরবা মীওই) অমনা নৎত্রগা পেথোলজি (Pathology) লায়নাশিংগী মরমদা নৈনবা বিজ্ঞান) গী জ্ঞান নিংথিনা লৈরবা ডাক্তর অমনা তৌগদবনি।

কনাগুম্বা মীওই অমা করিগুম্বা লায়না অমনা মরম ওইদুনা শিরবদা, মীদুবু শিহল্লিবা লায়না অদু করি–করম্বননো হায়বদু থিজিন্নদুনা খঙদোকপনা লৈহৌরিবা ইমুং–মনুংগী মীওইশিংগীতা নত্তনা লৈবাক পুম্বগী ওইনা অদুগুম্বা লায়না মখল অদুবু ঙাকথোক্লবা হোৎনবা অমদি লায়েংবদা অচৌবা মতেং ওই। অসিগুম্বা মখলগী পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন অসিদি লৈখিদ্রবা মীওইগী ইমুং–মনুংগী অয়াবা য়াওদনা তৌবা য়াদে। পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন তৌবা মতমদা অশিবা হকচাংদুগী মপাম্হোঙগী ওইবা ফিভম য়েংবতা নত্তনা কোক, থবাক অমদি পুক্লচিংবা হকচাংগী কয়াৎশিং হাংদোক্তুনা, হকচাং মনুংগী শরুকশিংসু য়েংই। মরম অদুনা ইমুং–মনুংগী অমদি নক্লবা মরী মতাশিংগী পুক্লিংদা অয়াম্বনা য়ানিংদবা ফাওনৈ। অদুবু মীওই অমা মওং খঙদবা লায়না–লাইওং অমনা মরম ওইদুনা শিবা তারবদি পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন তৌরগা চপ–চাবা লায়নাদুগী মওং খঙদোকপা হায়বসি লৈবাক্কী ওইবা হকশেল বিজ্ঞানগী লমদা চাওরবা মতেং অমনি। মরম অদুনা পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন মখল অসি পাংথোক্লবগীদমক্তা, শিরিবা মীওইদুগী ইমুং–মনুংগী মীওইশিংনা হেন্না থৱাই য়াওবিফম থোকই। পেথোলজিকেল পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন তৌনবগীদমক্তা পুলিস নৎত্রগা ম্যেজিষ্ট্রেটকী মথৌ তাদে। মসিদি শিরিবা মীওইদুগী ইমুং–মনুং অমদি ডোক্তরশিংগী মরক্তা য়ানরগা তৌগদবনি।

মেডিকোলিগল পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন ঃ

অনীশুবা মখল অসিনা, ইখঙ–খঙহৌদনা, ইথা–থাজদনা চিংনিঙাই ওইবা মওংদা শিবা অমদি লায়না নাদুনা শিবা নত্তবা খুৎশি–তাদুনা–তুদুনা শিবা, ঈশিংদা তাদুনা শিবা, হু চাদুনা শিবা, গাড়ীনা তক্তুনা শিবা, ফুন–চৈনবা অমদি হাৎন–শুনবদা শিবা, শকখঙদবা অমা শিদুনা লৈরম্বনচিংবা কয়াশিং অসিদা, মীদু কমদৌনা কদায়দা করম্না করম্বা মতমদা শিবনো হায়বনচিংবশিং খঙদোক্লবা পাঙথোক্লে। অশিবা হকচাংদা অশোক–অপন য়াওরক্লগনা মদু করিনা শোকপনো, করম্না শোকপনো, করম্বা মতমদা শোকহনবনো হায়বনচিংবা খুদিংমক খঙনবা চাংয়েং কয়া তৌই। মীনা হাৎলম্বা ওইরগনা করম্বা মীওইনা হাৎলম্বনো? শিরল্লিবদু মশক খঙদবা ওইরগনা মীশক্তু কনানো নৎত্রগা করম্বা মীওই ওইরম্বা য়াই হায়বনচিংবশিং খুদিংমক চাংয়েং কয়াগী মতেংনা কুপ্না থিজিন্দুনা খঙদোক্লবা হোৎনৈ। অসিগুম্বা মখলগী পোষ্ট–মোর্টেম ইকজামিনেসন অসিদি মেডেকোলিগেলিষ্ট (Medicolegalist- মহৌশানা ওইজরক্লবা মীওইবগী মওং–মতৌ, ফিভমনচিংবা কয়াগী মরমগা মরী লৈনবা হকশেল বিজ্ঞান অমদি ৱাংউলোল -Philosophy- গী মরমদা খঙ হৈরবা মীওই অমা নৎত্রগা মেডিকোলিগলগী জ্ঞান নিংথিনা লৈরবা ডোক্তরশিংনা পাঙথোক্কদবনি।

মেডিকোলিগল পোষ্ট–মোটেম ইকজামিনেসন অসিদি, ভারতকী মুম্বাই (বোম্বে) নত্তবা অতৈ মফমশিংদদি থোক্লি থোক্লিবা থৌদোক (Case) শিংদুগী মতুং ইন্না পুলিস নৎত্রগা ম্যেজিষ্ট্রেটতগী অইবা চেগা লোয়ননা অশিবা হকচাংদুগী মওং–মতৌ, ফিভম অমদি শাগোন্নরম্বা পোৎশকশিং খুদিংমক তাক্লবা চে (Dead Body Chalan) অমদি ইক্বেষ্ট রিপোর্ট (Inquest report- মরী লৈনবা লোয়শঙনা, মরু ওইনা মরম চাদনা থোকপা মীশি–মীনাগী মরমবু শেংনা খঙননবা থিজিল্লবা রিপোর্ট) শিংবু মরী লৈনবা মেডিকোলিগল ওফিসার (ডোক্তর) দা পিরক্লবা মতুংদতা তৌই। হায়রিবা চেরোলশিং অসি মুম্বাইগী ওইনদি কোরনর (Coroner- চিংননিঙাই ওইবা মওংগী খুৎশিদা অশেংবা খঙনবা থিজিল্লীবা মীওই) না পি। করিগুম্বা লায়না অমদগি নৎত্রগা চুন্না চহি অহল ওইরকপদগী শোঞ্জিল্লক্তুনা শিবা নত্তবা মীশিশিংদী মরু ওইনা লৈবাক্কী লৈঙাক্লোন্দা অকায়বা লৈবনিনা, মীশি মখলশিং অসিবু মেডিকোলিগল পোষ্ট– মোটেম ইকজামিনেসন তৌনবগিদমক্তা মরী – লৈনবা ইমুং – মনুংদা অয়াবা লৌবা –লৌদবা হায়বগী ৱাফম অমা দরকার ওইদে।

"দেদ বোডি চলান" হায়বা অইবা চেরোল অসিদা অশিবদুগী মমিং–মথা, নুপী–নুপা, চহি, জাৎ অমদি লৈফম্নচিংবা খুদিংমক (খঙলবদি) ইবগা লোয়ননা হকচাংদুনা লৈরম্বা মফম–মওং, মফমদু থাদোক্লম্বগী নুমিৎ অমসুং পুংফম, মফমদুগা পোষ্ট–মোটেম ইকজামিনেসন তৌফমগা লাপ্পবা, হকচাংদু পুরকপগী পাম্বে–মওং, অসিবা হকচাংদু পুরকপদা কনা–কনাগা লোয়নরকপা, হকচাংদুদা শেৎলম–চারম্বা কয়াশিং অসিনচিংবা খুদিংমক নিংথিনা ইগদবনি– ইশিনহনগদবনি। করি–করিগুম্বা মতাংদা অশিবদুগী ইমুং–মনুংগী মীওইশিংনা, অশিবদুগী মমিং–মথা অমদি অতৈ ৱাফমশিং হায়বদা কয়া থৌওই–ৱাওইনদবা য়াওনৈ। মদুনা মরম ওইদুনা অশিবদুগী মমিং–মথা, চহি অমদি অতৈ ৱাফমশিং হায়বদা চেকশিলহৌদবদগী অশোয়বা য়াওখিদুনা "লাইফ ইন্সুরেন্স পোলিসি" গুম্বা নৎত্রগা অতৈ মরী লৈনবা লোইশঙশিংদগী ফংফম থোকপা মতেং– শেল ফংনবা তান্নবা মতমদা অৱাবা নংনখিবা য়াওদবা নত্তে।

"ইনক্বেষ্ট রিপোর্ট" হায়বসিনা কেস অদু পাইরিবা ওফিসরদুনা অশিবদুনা লৈরল্লিবা মফমদুদা অশিবা হকচাং অমদি মফমদুগী মওং মতৌশিংদু থাদুনা ইখৎপা রিপোর্টনি। মসি ইবা মতমদুদা অশিবা মীদুগী মশক খঙবা ওইরগদি মশক তাকপা মীওই অমগী সহি লৌদুনা থিজিল্লীবা ওফিসারদুনা অশিবা অমদি অশিবদুগী অকোইবদা লৈরিবশিংদু য়েংবা মতমদা, মফমদুগী মীয়ান্না শকখঙবা শক্লাইবা মীওই অনিদগী তাদবনা, য়েংলি উরিবশিংদুগী শাক্ষি ওইনা য়াওহনবগা লোয়ননা, চেদুদা মখোয়গী সহিসু তৌগদবনি।

পোষ্ট–মোটেম ইকজামিনেসনগিদমক্তা অশিবদুবু পুরকপদা লোয়নরকপা পুলিস অমদি মরী–মতাশিংনা মরী লৈনবা ডোক্তেরদা চে–চাং খুদিংমক শিন্নবগা লোয়ননা অশিবদুবু শক তাকপগী সহিসু তৌবিগদবনি। অশিবা হকচাংবু "ইনক্বেষ্ট" তৌফমদগী ইকজামিনেসন তৌফম ফাওবা পুরকপদা চেকশিল্লক্ত্রগদি হকচাংদুদা অনৌবা অশোক–অপন থোকহনবা, লোয়নরম্বা মফি–মরোলনচিংবা অতৈদা অকায়–অতোয় থোকহন্দুনা ইকজামিনেসনগী মতমদা অচুম্বা ৱাফম কয়া শেরান্নদা চৎখিবগী অকীবা লৈ। মরমদুমক্লা "ইনক্বেষ্ট" কি মতমদা মেডিকোলিগেলিষ্ট অমদি ফোরেনসিক সাইন্স (Forensic Science - ৱায়েল লোয়শঙদা মতেং ওইনবা য়াবা হকশেলগা মরী লৈনবা বিজ্ঞান)কি মীওইশিং পুন্না য়াওনবসি মপান লমগী লৈবাক খরদদি চৎনবা হৌখ্রে। থৌদৌ অসিনা, মীশি–মীনাগী থৌদোক অমবু থিজিনবদা শরুক য়ানরিবা অখঙ–অহৈ (Expert) খুদিংমক্লা, অশিবা হকচাং ফংলিবা মফমদুমক্তগি থিজিন্নবা হৌনদুনা অচুম্বা ৱাফম কয়া পুথোকপদা হেন্না খুদোং চাহনবতা নত্তনা মরিক চুমহল্লে।

পোষ্ট– মোটেম ইকজামিনেসন তৌবা মতমদা অখঙ–অহৈ ডোক্তরদুনা অশিবা হকচাংদুগী মওং–মতৌ, শেৎলম চারম্বা অমদি অতৈ মহৌশাগী ওইবা নত্তবা অকায়বা মওংশিং খুদিংমক চেকশিন্না য়েংবতা নত্তনা কোক, থবাক অমসুং পুক খায়দোক্তুনা হকচাং মনুংগী শরুক খুদিংমকপু য়েংলগা ৱাহং কয়াগী পাওখুম কয়া চুন্না খুল্লবা হোৎনৈ। অদুন্নমক, করিগুম্বা মতমদা পোষ্ট– মোর্টেম ইকজামিনেসন অসি য়াম্না চেকশিন্না তৌরবা ফাওবদসু শিরিবদুগী অশেংবা মরম খঙবা ঙমদবা নৎত্রগা চপ–চানা হায়বা ঙমদবা য়াওই। মসিগুম্বা মতাংদদি, হকচাংদুদগী ঈ অমদি মরী লৈনৈ খনবা হকচাংগী শরুকশিং লৌরগা মখল কয়াগী খুৎলায় থাদুনা চাংয়েং কয়া তৌদুনা তাংদাংবা মরম খঙননবা মরী লৈনবা লেবোরেটরিশিংদা শিন্নবা, কেস পাইরিবা ওফিসারদুদা খুৎশিন্নে। মসি নত্তনা করিগুম্বদা ঈ অমদি হকচাংগী অতৈ শরুক খরা লেবোরেটরিদা টেষ্ট তৌরগদি অচুম্বা পুথোকপদা মতেং ওইগনি হায়বা লৈরগসু, মচাকশিংদু লৌহৌরগা মখোয় মশানা লেবোরেটরিদা থাই।

ঙসিগী মীওইবা সমাজ অমসুং সমাজসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী ৱাখল্লোনশিংসিদা চুন্না শোন–নাদুনা শিবা নত্তবশিংদা পোষ্ট–মোটেম ইকজামিনেসন তৌবা হায়বসি য়াম্না হেন্না দরকার ওইরবনি। নাকল অমরোমদা ইশিংদা তাওরকপা খুদিংমক ঈশিংদা ঈরাক্লন্দুনা শিবনি হায়বা য়াদ্রি। অদুগুম, মঙক্তা থৌরি থুরগা য়ান্দুনা লৈরম্বা পুন্নমক থৌরি য়ান্দুনা শিবা ওইগনি হায়বা য়াদে। মৈ চাক্লবা হকচাংদু হাত্তোক্লবা তুংদা মৈ থাবা ওইরম্বসু য়াই। লোয়ননা য়ু ঙাওবদগী ওরকপা মতমদা শ্বর হোঞ্জিনবগা মপা চানদুনা চাখাওদগী হন্দোরকপা পোত্তুনা শ্বর হোনবগী লম্বীদা চংখিবদগী হাদুনা নৎত্রগা ফুন্দুনা শিবা হায়বসিসু অঙকপা ৱাফম অমা নত্তে। অসিগুম্বা থৌদোক কয়াদা পোষ্ট–মোটেম ইকজামিনেসন তৌদুনা অচুম্বা খঙদোকপা হায়বসি পুন্নমক্কী কান্নবনি।

করি করিগুম্বা মতমদা, কনা–কনাগুম্বনা ওইদবা, নত্তবা ৱারী কয়া শাগত্তুনা অরানববু অচুম্বা ওইহন্নবা নৎত্রগা অচুম্ববু অরানবা ওম্হোক্লবা হোৎনরকপসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু অশিবা হকচাংদুনদি কৈদৌনুংদসু অরানবা–মীনম্বা হায়দে। থৱাই য়াওদ্রবা হকচাংনা মানা শিবগী মরম, মওং, মতম মফমনচিংবা কয়া হকচাংদুদা লেঙদ্রবা খুদম অমদি মওং কয়া উৎথোক্তুনা তাক্লমই। মওং–মতৌশিং অদু পোষ্ট–মোটেম ইকজামিনেসন তৌরিবা ডোক্তরদুনা মাগী রিপোর্টতা ইবগা লোয়ননা মওং–মতৌশিংদুগী অর্থ হন্দোক্লগা মমাঙদা পনখিবা ৱাহং কয়াশিংসিগী পাওখুম পি। পোষ্ট–মোটেম ইকজামিনেসন তৌফমসি অশিবা মীদুগী অরোইবা ৱাকৎচফমনি। থৱাই য়াওদ্রবা হকচাংদুনা অরোইবা ওইনা ৱাকৎচরকপদু তাবিবগা লোয়ননা ওইদবা শাশিন্নবা ৱারীদগী হৌরকপা ঈহৌ কয়া নৎত্রগা লান্না শিজিন্নরকপা শক্তিগী চৈফু কয়া নাথৈদুনা থম্লগা থৱাই য়াওদ্রবা হকচাংনা তমজরকপা অশেংবা ৱারীশিংদুদা য়ুমফম ওইরগা অচুম্বা পাওখুম পিবনা মেডীকোলিগেলিষ্টশীংগী তৌফম থোকপা মথৌনি। মীয়ান্নসু দরকার ওইবা কেসশিংদা পোষ্ট–মোটেম ইকজামিনেসন মতাং চানা, মপুংফানা তৌদুনা অচুম্বা থিবদা অঙম্বা মতেং পাংবিগদবনি লোয়ননা লৈহৌরিবা ইমুং–মনুংনা খুদোংথীবা নংদনবা, সরকার অমদি এল. আই. সি. নচিংবা কয়াদগী ফংফম থোকপা মতেংশিং তান্নবদা অপনবা থোক্তনবা তৌবিগদবনি।

হিদাক কাপ্পা (ইঞ্জেকসন) গী থৌওং অমসুং মসিদা চেকশিনগদবশিং

কর্টেসিঃ ভি.ঐচ.এ.আই.

ইঞ্জেকসন হায়রগদি ঐখোয়না হকচাংদা য়েৎতুম থিন্দুনা হিদাক মহি কাপশিনবগী থৌওংবু খঙনরে। অশুন্না হিদাক কাপ্পগী থৌওং অসি মখল মরি লৈ–

১. ইন্ট্রাদরমাল (Intradermal)ঃ হিদাক কাপশিনগদৌরিবা য়েৎতুম অদু উনশানা লৈরিবা পরিং অদুদগী শুকয়ুং য়ুংখত্তনা কুরাংবান ফাওনদং থিংজিল্লগা হিদাক খজিক্তং কাপশিনববু ইন্ট্রাদরমাল ইঞ্জেকসন হায়না খঙনৈ। অশুম্বা মখলগী হিদাক খুৎকাপ অসিদি করিগুম্বা হিদাক অদুদা চানবরা নৎত্রগা চানদবরা হায়বদু য়েংথোক্লবদা চৎথনৈ। অদুগা বি.সি.জি. গুম্বা ইম্যুনাইজেসন (লায়না অমগী অহিংবা মহিক্তুমকপু হকচাংদা কাপশিন্দুনা লায়নাদুমক্তগী ঙাকথোক্লবা থৌওং) গুম্বদসু হিদাক খুৎকাপ অসি চৎথনৈ।

২. সবক্যুটানিয়স (এস.সি.) Subcutaneous (S.C.) অনৌবা শদোংশিংগা লোয়ননা খুদাং, ফৈগন অমদি পুক্কী উনশাদা য়েত্তুম্বু চেপ্লপ্না খজিক্তং থিংজিল্লগা, উনশাগী কুরাংবান হেক মনুংমক্তদা কাপশিনবা হিদাক খুৎকাপনি। ইপিনেফ্রিন হায়বা হিদাক মখলসিমদি মওং অসিদা কাপ্পে।

৩. ইন্ট্রামস্কুলর (আই.এম.) ঃ খুৎকাপ অসিদদি হিদাকপু হকচাংগী মশলদা কাপশিল্লি। মসিদদি পাম্বোম, ফৈগন অমসুং নিংজোনগী মশলদা হিদাক কাপ্পগী য়েত্তুমদু য়ুংলপ্না হেক্তমক থিংজিল্লগা হিদাক কাপশিল্লি। হৌজিক মতমগী হিদাক মখল অয়াম্বা, মওং অসিদা কাপ্পে।

৪. ইন্ট্রাভেনস (আই.ভি.)ঃ হকচাংগী শিংলি মনুংদা কাপশিনবা হিদাক খুৎকাপ্পু 'ইন্ট্রাভেনস ইঞ্জেকসন' হায়না খঙনৈ। হিদাক খুৎকাপ মওং অসিদি, লম অসিদা য়ান্না মুন্না খঙ হৈরবা মীওই অমনা মদুসু য়ান্না চেকশিন্না কাপকদবনি। অমা–অমানসু হেক্তা কাপহনবীরোইদবনি। মসিদা শোয়রবদি অনাবদু খুদক্তা শিবা য়াবগী খুদোংথীনিঙাই য়ান্না লৈ হায়বসি মতম চুপ্পদা নিংশিংনবীগদবনি।

করম্বা মতাংদা হিদাক কাপকনি নৎত্রগা কাপ্লোইঃ হিদাক কাপ্পগী তঙাইফদবসি হেক্তমক পংলৈ লৈবা নত্তে। হিদাক শিজিন্নরগা ফরক্কদবা লায়না মখল অয়াম্বা হিদাকশিংদুবু চারগা লায়েংবতা নত্তনা হেন্না ফহল্লকপা ঙম্বা ঙাক্তনি। লায়েংবদা শিজিন্নরীবা হিদাকশিংনা করিগুম্বদা হকচাংদা মাংহল্লক্লিংঙাই লৈরকপা তারবদি, চিন্দা চাশিল্লিবদুদগীদি ইঞ্জেকসন ওইনা কাপশিল্লিবদুনা হেন্না খুদোংথীনিঙাই ওই হায়বসি নিংশিংনবীগদবনি।

ইঞ্জেকসন হায়বসিমক্তবু তঙাইফদনা মথৌ তারে হায়রবা কান্দতা শিজিন্নবীগদবনি। শিজিন্নবীবা তারবসু লম অসোমদা খঙ–হৈরবা মীওইশিংদতা কাপহনবীগদবনি।

ইঞ্জেকসন শিজিন্নবগী মতাংশিংঃ

১. অনাবদুবু লায়েংবদা চংলিবা হিদাক মখল অদু চাব–থকপা য়াবা মওংদা শুংফংমক ফংদ্রবা মতাং,

২. অনাবা মীওইদু য়ান্না তোইনা ওথোক্লবা নৎত্রগনা চাগদৌরিবা হিদাক্তু য়োৎশিনবা ঙমদনা গ্যান মাংলিবা,

৩. তঙাইফদবা অথু অকাইগী মতমদা।

ডাক্তরনা ইঞ্জেকসন হায়রক্লবদিঃ ডাক্তরশিংগী মরক্তা কনাগুম্বনা মথৌ ইতা তাদবদা অনাবদুবু হিদাক কাপসি হায়বসি য়াওনদবা নত্তে। থৌওং অসি মখোয়না শেল হেন্না লৌবা য়ানবা ওইরম্বা য়াই। অদুবু মদুনা থোরকপা য়াবা খুদোংথীবশিংদুবুদি মখোয়না কাউথোক্লি। অদুনা ডাক্তরনা করিগুম্বদা ইঞ্জেকসনগী ৱাফম পল্লকপা তারবদি মদুগী মহুত্তা চাবা য়াবা মান্নবা হিদাক মখল ফংব–ফংদবা হায়বদু মুন্না হংদোকপীবদা চিংনবীরোইদবনি, লোয়ননা ইঞ্জেকসন্দু শিজিন্নবমক তারবসু অদোমগী মনাক নকপদা হিদাক কাপ্পগী লমদা থোইদোক্লা খঙ–হৈরবা মীওই লৈ–লৈতে হায়বদুসু ডাক্তরনা অনাবা অমদা–ভিটামিন, ভিটামিন বি১২ কুম্ববু হকচাংগী ঈ টেষ্ট তৌতোকখিবা লৈতনা কাপ্পুকা হায়রক্লবদি, ডাক্তরদুদা অমুক হন্না চংলুদনা অতোপ্পা অমদা নৌনা তানবীরুগদবনি হায়বসিমসু নিংশিংনবীবদা কান্নবা ৱাফম্নি। য়ারিবমখৈ ইঞ্জেকসন শিজিন্নরোইদবনি হায়রগসু – নিমোনিয়া, টিটানস, এপেন্দিসাইটিস, নোংমৈনা পানবা, বৃশ্চিক (স্কোরপিয়োন) না চিকপা, মিনিনজাইটিস, থিংঙমদনা ওবা, অকনবা হরা কংখু, পক্লদনা (এলরজিক) গী অকনবা মওংনচিংবা লায়নাশিংগীদমক্তদি পম্ফদনা অখঙ–অহৈ তানবীরগা খুদক্তা চানবা হিদাক কাপথোকপীরগা য়ারিবমখৈ পম্ফবীদনা লায়েং মখা চৎথবীনবা হোৎনবীগদবনি। অদুগা কাপকদৌরিবা হিদাক মখল অদু করিগুম্বা পিনিসীলিন, এম্পিসিলীন অমদি অতৈ এন্টিটোক্সিনগী মখলশিং ওইবা তারবদি, হিদাক অদু হকচাংদা পক্লব্রা পক্লদব্রা হায়বদু হান্না নিংথিনা টেষ্ট তৌদুনা য়েংথোকহনবীগদবনি। চাংয়েংদু তৌনবগীদমক্তদি হিদাক্তুগী ০.১ মিলিলীটরগী চাংদা খজিক্তং উনশাগী কুরাংবান ফাওহন্দুনা উনশাগী মখামক্তদা তোংখৎনা কাপশিনবীগদবনি অদুগা মফমদুবু হেক য়েংবদা খঙনবা কলমগুম্বনা কোইনা য়েকশিনবীরগা মিনট ৩০ ঙাইদুনা য়েংবীগদবনি। মদুদা মখাগী মওং অসি ফাওরক্লবদি হিদাক্তুগা হকচাংগা চানদ্রে হায়বদু খঙবীগদবনি। মদুদি–

- হিদাক কাপখিবা জগাদু ঙাংশিন্না অনাবা ফাওরক্লবা অদুগা থানা পোমখৎক্লবা,
- হকচাংদা ফুরিগুন্না মচা –মচা তংথোক্লক্তুনা হাকজরক্লবা,
- শ্বর হোনবদা ৱারক্লবা,
- হকচাংদা ফুম্বংননা ইপা–পাখৎ, ইথক–থক্কৎপগী মওং লাক্লবা,
- কোক লৈনা ঙাওদুনা ওনিং–ওনিং তৌরক্লবা,
- মীৎ শেংনা উশিল্লক্তবা,
- হক্কি ঈশিং চৎপদা (মপান থোকপদা) অৱাবা ওইরকপা।

মথক্কী অসিগী মনুংদগী অমবু হকচাংদা ফাওরক্লবদি কাপকনি থৌরাংলিবা হিদাক অদু হকচাংগা চানদ্রবনি খঙবীবগা লোয়ননা খুদক্তা এদ্রেনালিন ইঞ্জেকসন কাপশিনবীহৌগদবনি। কাপ্পগী মওংনা অহল অমদা ০.৫ এম.এল. অদুগা অঙাংদনা ০.২৫ এম.এল. গী চাংদা ওইগদবনি।

মথক্তা পনখ্রিবা পক্লন্দবগী মওংশিং অসি মিনট ৩০ ফাওবদা লাক্ত্রগদি কাপকদবা হিদাক্কী মপুম ওইবা চাং অদু কাপশিনবা য়ারে। অদুবু ৱাফম অমদি – পক্লন্দবগী মওং অমত্তা উৎলকখিদবদা মীওই অমনসু, মপুঙ ওইবা হিদাক্কী শরুক কাপশিনখ্রবা মতুংদা নৌনা পক্লদবগী মওংশিং অদু উৎলকপা য়াই। অদুনা পক্লবা পক্লদবগী চাংয়েং দরকার লৈবা হিদাকশিংবু কাপ্লবদি এদ্রেনালিন ইঞ্জেকসনদী অথু–অকায় নংনবা মওংদা মাঙজৌননা থৌরাং তৌবীদুনা মতম চুপ্পদা থম্বীহৌগদবনি।

চুমথোকচবা

এপ্রিল ২৭, ২০১৭ শগোলশেন নুমীৎতা ফোঙবা ফিচর আর্টিকল "ইন্সটিট্যুট ওফ কো ওপরেটিভ মেনেজমেন্ট, ইম্ফাল" দা য়াওরিবা টেবল ১ দগী কলম অহুম শুবদা য়াওরিবা "Graduate Manipur University" হায়রিবশিং অদু "Manipur University" খক্ত হায়গদৌনি। শোইখিবশিং অসিগীদমক্তা নুংঙইতবা ফোঙদোকচরি।

প্রুফ রিদর